**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-09.2024)**

**দেঙ্গি (এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংদা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলকপা থেংনরে। অদুমওইনমক, কিনিংঙাইদি ওইদে হায়রি।

হেলথ সার্ভিসেস মনিপুরগী দিরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবী দেবীনা হায়-ফিভম অসি য়েংলগা জিলা অনি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চিংনবা মীওইশিংগী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌনবা থবক পায়খৎলে। মীয়ামনা চিংনবা লৈরবদি মনাক নকপদা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্টরশিংদা চৎপীদুনা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবা য়াগনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা ষ্টেট মেলারিয়া ওফিসার-ডা: সলাম প্রিয়োকুমার সিংহনা হায়-চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী ঙসি ফাওবদা মনিপুরদা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা মশিং ৬৯০ শুরে। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৪৫০, ইম্ফাল ইষ্টতা ১৫০ য়াওরি। ফিভম অসিগী য়েংলগা লায়না অসি থেংনবদা মীয়ামনা মতেং পাংবিয়ু

**চাইল্ড(এল) ঃ** সরকারনা পীরিবা লুহোংবা য়াবগী চহি তাঙ্কক্তগী ঙনখৎনা লুহোংবা চাইল্ড মেরিয়েজগী কেস খ্বাইদগী য়ামা থেংনবা রাজ্য অসিগী জিলা, থৌবাল জিলানা ওইরে।

নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস অমদি মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা পুন্না শিনদুনা চহি শুদ্রিবা অঙাংশিং লুহোংবা থিংনবগী মতাংদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল সেন্সিটাইজেসন কম কন্সলটেসন ৱার্কশোপতা ৱাফম অসি মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা

ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-চহি নৌরিবা অঙাংশিং লুহোংবগী চাং অসি থৌবাল জিলাগী হেক মথংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংনা ওইরি। মনিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী প্রদিপকুমারনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা অঙাং লিশিং ২৫ রোম তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মখোয়গী মরক্তা চাইল্ড মেরিয়েজ থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাং ৱাংনা লৈরি। মসিদগী ঙাকথোকবা চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী ৱাকশোপ অসি পাঙথোকপনি।

**ওজোন(এল) ঃ** সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি-অকোইবগী ফিভম কায়থরকপদগী মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং কয়া অসিদগী ঙাকথোকবা কার্বোন দাইওক্সাইদ থাদোকপা হন্থহন্নবা খোঙথাং লৌখৎমীনবা তঙাইফদে। ৱাফম অসি ঙসি রাজ্য সরকারগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি বিভাগনা শিনদুনা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ওজোন ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

পালন থৌরম অদুদা ওজোন রন হায়না মিংথোনবা লমজেল অমসু ঙসি ইম্ফালগী কংলাদগী ফোরেষ্ট অমসুং হনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা লমথাখি।

মহেরোই অমদি সরকারগী ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ওজোন লয়ার পাথরকপনা মীওইবা য়াওনা জিবা পানবা অমদি অকোইবগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা পীরক্লি। ফিভম অসিদা মীয়ামনা কার্বোন দাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং ককথনবা হোৎনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি হৌরক্লিবা নহাশিংদা ওজোন লয়ারনা মীওইবদা পীরিবা কান্নবা অমদি মসিগী মরুওইবশিং মীয়ামদা

খঙহনবনি। থৌরম অসি রাজ্যগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। কুমশি চহিগী থিমনা-ওজোন ফোর লাইফ হায়বসিনি।

**মেক্স (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইতি (মেক্স) না শিনদুনা ইন্টগ্রেটেদ হেলথ কেম্প কম আই.ই.সি. কেম্পেইন অমা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা তরেৎশু মনিপুর রাইফলসকী গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঐচ.আই.ভি-এইদসকী মরমদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবা লীলা অমসু উৎখি।

**অধার (এল) ঃ** চহি অসিগী দিসেম্বর ১৪ গী মতুংদা অধার অপদেদ তৌবা য়াররোই হায়না সোসিএল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎলিবা অসি অরানবা ব্রাফমনি হায়না সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শেংদোরক্লি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা বিভাগ অসিগী অধার এক্সপার্ট-ঐচ. দয়ানন্দা শর্ম্মনা হায়-মীয়ামনা মশা মশাগী মোবাইলদা মাই অধার পোরটেল শিজিন্নরগা অধার অপদেদ তৌবা দিসেম্বর ১৪ গী মতুংদসু য়াগনি। মরম অদুনা মীয়ামনা অথুবা মতমদা অধার অপদেদ তৌবিদুনা ইশাগী অধারবু অচুম্বা দোকুমেন্ট ওইনা থম্বীনবা আপিল তৌরদুনা শ্রী দয়ানন্দনা হায়-

**থৌবাল (এল) ঃ** আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা হৌদোকখিবগী চহি তরুক মপুং ফারকপগা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংনা থা অসিগী ২০ দগী ৩০ ফাওবা চৎথরিবা পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাদসু হেলথ রন ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল হেলথ ওথোরিতি অমসুং ষ্টেট হেলথ এজেন্সিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিট-থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা হেলথ রনগী থৌরম

অদু দিপ্যুতি কন্মিস্নার-থৌবালগী ওফিস কমপ্লেক্সতগী এ.দি.এম.-বি. লোকেশ্বর শর্ম্মনা লমথাখি।

হকশেলগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ অদু থৌবাল কৈথেল ফাওদুনা চৎলবা মতুং থৌবাল ৱাংমাতাবদা লৈবা সি.এম.ওগী ওফিসতা লোয়শিনখি। তুংদা, নেসনেল হেলথ মীসনগী কনফরেন্স হোলদা হকশেলগী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ককচিং (এল) ঃ** স্ৱার্চত হি-সেভা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলা ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হায়ৱে-১০২ দা লৈবা বিজয়পুর ভিলেজতা ঙসি ককচিং পি.ঐচ.ই.দিভিজন মনিপুরনা শিনদুনা স্ৱার্চত হি-সেভাগী মপাউ পুবা মীয়ামগী রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদু পি.ঐচ.ই.দিভিজনগী ওফিসতগী -ককচিংগী বিজয়পুর গ্রাউন্দগী লমথাখি।

স্ৱার্চত হি-সেভা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাদসু, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিনদুনা থৌবাল কৈথেলগী অকোইবদা সাইকল রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখি। লু-নানবা থৌবাল ওইহল্লসি, মফম চাদনা অমোৎ অকায় লংথোক্কনু, অমোৎ-অকায়শিং মফম চানা পৈশিল্লু, অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিকশিং শিজিন্নগনু হায়বা প্লে কার্ডশিং শিজিন্নদুনা চৎখিবা রেল্লি অদুনা অমোৎ অকায়শিং মফম চানা পৈশিন্নবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা দুকান ফল্লিবশিং অমদি কৈথেল ফল্লিবশিংদা পাউজেল পীখি।

কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা লম-তু শেংদোকপা অমদি উ চারা থাবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান অমসুং খাঙবোক পার্ট টুদা পাঙথোকখি।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এন.এস.এস. য়ুনিটনা শিনদুনা থা অসিগী ১৭ তগী ওক্তোবর অনি ফাওবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। থৌরমগী মনুং চন্না তাংজেং মরিল

তেংথোকপা অমদি উ-চারা থাবনচিংবা পাঙথোকখি।

কেম্পেইন অসিগী মখাদা সফাই অভিয়ানগী লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না সফাই কর্ম্মচারিশিংদা পার্সোনেল এক্সিদেন্ট পোলিসি সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জজেজ লোনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-সিধারদ মিদুলনা হায়-হায় কোর্ট অসিদা সেনিটেসনগী থবক্তা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিংদা এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্সকী খুদোংবা অসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। থৌরম অদুদা জষ্টিসশিং-এ. বিমোল সিংহ, এ. গুনেশ্বর শর্ম্ম, ওজেস মুতুম, হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**পোসান (এল) ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগা খুৎশমরগা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী খংশিম ভিলেজকী কে. কোসাং মেমোরিএল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি পোসান অভিয়ানগী মখাদা তরেৎশুবা রাস্ত্রিয়া পোসান মাহ ২০২৪ গা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ টিনিংফম মোশাং অমসুং মেম্বরশিং-লৌরেম্বম দয়াবতি দেবী অমদি টি. চৌশিং কোইরেংনচিংবনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা টেকিকেল সেসন অনি থোক্তুনা পাঙথোক্তুনা অখঙ অহৈ কয়ানা পোসান মাহ অমদি মচি লৈবা চিঞ্জাকশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট স্কিম, ৱাঙ্গোই ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা রাস্ত্রিয়া পোসান মাগী থৌরম অমা ৱাঙ্গোইদা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পোসান অভিয়ানগী মখাদা থা অসিগী অমদগী

চত্থরকখিবনি।

**ওজা (এল)ঃ** ন্যু দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা থা অসিগী ৫ দা রাষ্ট্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নেসনেল টিচরস এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রবী রিসিকুল অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা চোংথাম ননদিতা দেবীবু ওকপগী থৌরম অমা শগোলবন্দগী অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ওজা ননদিতা অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অসিগী জন অরোগ্রা সমিতিগী মেম্বর ওইরি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নদবা মহৈ তম্ফমশঙ অমা ওইহল্লসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গালর্স কলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কলেজ অসিদগী হৌরগা খুরাই লমলোং বজার ফাওবা নিশা থাদোকসি, মৈখু শিজিন্নগুমসি, হিদাক মনা শিজিন্নদবা কেম্পস অমা ওইহল্লসি হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পায়দুনা খোঙচৎ অমসু চৎখি।

**কলেজ(এল)ঃ** কুন্থী কলেজগী ৪৪ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি কলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কলেজ অসি লিংখৎপদা য়াওখিবা লৈখিদ্রবা অহল-লম্মনশিংগী ফোটোদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**এঠলেটিক (এল)ঃ** মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৪৩ শুবা রাজ্য থাক্কী মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক্স মিট ২০২৪-২৫ মথং থাগী ১২ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি।

এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মিট অসিদা শরুক য়ানিংবা এঠলেটশিংনা চিংমৈরোংদা লৈবা এসোসিয়েসনগী ওফিসতা থা অসিগী

৩০ ফাওবদা ফোর্ম থাজিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিদগী খঙলবা য়াগনি।

**বেদমিন্টন (এল)ঃ** ওপরেসন সদভাবনাগী মনুং চন্না ভারত লান্মীনা শিনদুনা চথুরকপা অহুমশুবা লেফটনেন্ট করনেল-রোবার্ট টি.এ. মেমোরিয়েল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ঙসি সেনাপতিদা লোয়শিনখ্রে।

**কন্দোল(এল)ঃ** রেস্লিং মশান্না চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বতা নত্তনা মশান্না কয়াদসু অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ৱাহেংবম চাউবা লাল, মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মহাকা লৈখিদবদা সাই এস.টি.সি. ইম্ফাল-খুম্মন লম্পাক্কী কোর্চেস ষ্টাফ অমসুং শান্নরোইশিংনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

**মনকি বাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৪ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎতুমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিং পৌমাই, মার, পাইতে, কবুই, থাদৌ, মাও অমসুং তাঙ্খুলদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**তুরিজমঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ভারত্তসু ঙসি ৱার্ল্ড তুরিজম ডেগী থৌরম পাঙথোক্লি। তুরিজমনা মীয়াম মরক্তা মরী ফগৎহনবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা লৌরিবা থৌদাংবু নিংশিংদুনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসি পালন তৌবনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি-তুরিজম অমসুং শান্তি হায়বসিনি।

লৈবাক অসিগী ওইনা মপুং ওইবা থৌরম ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ডপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়-টুরিজমনা মীওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লি। মসিনা শান্তি পুরকপদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। টুরিজমনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা শ্রী ধনকরনা টুরিজম মন্ত্রালয়গী তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু হৌদোকখি।

মালেমগী টুরিজম নুমিৎকা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী ফজরবা কালা সংস্কৃত্তিবু নীংথিনা য়োকখৎপগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা লম কোইবা লাকপশিং থম্মোয় শেংনা তরাম তরামা ওকসি অমদি ঐখোয়গী ফজরবা চৎনবীবু নীংথিনা খঙহনসি। তুংগী মীরোলগীদমক মনিপুরগী ফজরবা কয়াবু য়োকখৎতুনা থল্লমসি।

ভারত লান্মীনসু ৱার্ল্ড টুরিজম ডেগী থৌরম সৈনিক স্কুলগী মহৈরোইশিংগা পুন্না পাঙথোকমীন্নখ্রে। কম্পানি কম্মান্দরগা নোংমা হায়বা হীরমদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা ইন্দিয়া নেসনেল আর্মিগী ম্যুজিয়মদসু চৎতুনা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ফংনবগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং নিংশিংখি।

**আধারঃ** লৈবাক অসিগী মীয়ামগী আধার অমসুং পানগী অকুপ্পা ৱারোলশিং য়াওবা ৱেব সাইট খরা ইন্তরনেটতা লিক ওইরকপদগী সরকারনা থিংজিনখ্রে।

কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না ৱেব সাইট খরদা মীয়ামগী সেন্সিতিভ ওইবা অকুপ্পা মরোলশিং, মরুওহনা আধার অমসুং পানগী অকুপ্পা মরোলশিং লিক ওইবা থেংনরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিক আইদেন্তিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা আধার এক্ট ২০১৬

কী মখাদা সেক্সন ২৯ ক্লোজ ফোরগী মনুং চন্না কমপ্লেন অমা থাংগৎখ্রে। মখা তানা ইন্দিয়ান কম্প্যুতর ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স টিমনা ৱেব সাইট খরা অসিদা সেক্যুরিতিগী অশোইবা লৈরম্বগী মতাংদা খঙহল্লকপগা লোয়ননা ৱেব সাইট অসিগী মপুংশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি অমসুং অশোইবশিং শেমদোকবসু সরকারগী মাইকৈদগী খঙহনখ্রে।